# কুমজা ১৯৭৩ গী সি সি মীটতা ঐহাক য়ু এস এগী গোল কিপ্পর ওইনা মায় পাক্কা শান্নজবা ফংজরকখি

**রত্নেশ্বরি গোশ্বামী**
**অকাউ পরৈ চল্লুরবশিং**



সাপম প্রেমকান্ত
*(নেসনল ফুটবোল কোচ)*

শান্নরোয় হায়বসিদি লাইরিক লাইশুদসু মশক থোকপা ওইগদবনি। সুপ্নতংগী শান্নবা খক্তদা ফবসিদি মপুং ফাদে। ঐখোয়গী মমাংদগী শান্নবিরম্বা অহল-লমনশিংসু স্পোর্টসকা লাইরিক্কা ইরোইনদুনা চৎখিবা ঙাক্তনি। ওজাশিং, অহল-লমনশিং অদু উজরংবদা ঐখোয়বু পুক্লিংদা চাউথোকচবা পোকচৈ। লাইরিক য়াওদ্রগদি শান্নবগী অশেংবা ৱাহন্থোকসু খক খঙবা ঙম্লোই। মথক্কী ৱাফম খরসি নেসনল ফুটবোল কোচ সাপম ওজা প্রেমকান্তনা হায়বীরকখিবনি। মীয়াম্না থোইদোক্লা খঙনবিরবা ফুটবোল কোচ অসি মশামক ফুটবোলগী গোল কিপ্পর ওইনা শান্নবীরকখিবা মীওইনি। ওজা অসিগী মতাংদা মরিক চুম্বা পাউদম খরা মীয়ামদা ফোঙদোকচরি।

সাপম প্রেমকান্ত কুমজা ১৯৬০গী মার্চ থাদা খুরাই চিঙ্গাংবম লৈকাই ময়াই লৈরক্তা লৈবা সাপম মাধোপ অমদি সেঞ্জম নিঙোল সাপম ওংবী সনাতোন্বীগী মচা অতোনবা ওইনা তাইবঙদা খোঙদাবীরকখি। পীক্লিঙৈদগী হৌনা ওজা অসি ফুটবোল শান্নবা থোইদোক্লা পামজরকখি। অদুবু ৱাশক চেৎপী অপোকপীনা লাইরিক লাইশুদা খরা হেন্না পুক্লিং চঙহন্নিংবদগী কুপ্না শেন্নদুনা লাকখি। শান্নবা চৎকে হায়রবদি নশাগী নোংমগী তৌগদবা নথৌ তৌদুনা স্কুলদগী ওজানা পীরকপা পারাশিং ফজনা ফারবা মতুংদা শান্নবা য়াগনি হায়দুনা শিংনবা অমগা লোয়ননা শান্নরকখি।

ফুটবোল শান্নবা হৌরকপগী মতাংদা ওজা প্রেমকান্তনা অসুম্না পাউদম্বীরকখি, ঐহাক্না শান্নবা পামজরকখিবা অসিমক্তি ইশাগী জিনেটিক জিনদা অদুম য়াওজরকপজ াৎনি। শান্নফম লম্পাকসিসু মহৌশাদি ঐখোয় লৈকাইসিদা মরাং কাইনা লৈরম্মী। ঐগী হেক লৈকাইদা লৈরিবসি লাইনিংথৌহনবা লাই লম্পাকসিনে, হৌজিক হৌজিক দি দি ইম্ফাল লৈরিবা টি ভি টৱার খিল্লিবা মফমসিগা অনীসি ঐখোয়গী শান্নফম ওইরকখি। অদুগা খুমন লম্পাক অসিসু ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদগী শান্নফম ওইদুনা লাকখি। পীক্লিঙৈ মতমদগী খরা খরা শান্নজরকপা অদুনা ক্লাস টেন কাবা স্বাইদগীদি ইথা হেক থাজদনা ঐহাকসি সি সি মীটনচিংবা য়াওবা ফঙজরকখি। শান্ন-খোৎনবসি সুম পামজরকপনা মরম ওইদুনা অঙাং ওইরিঙৈদগী য়ু এস এগী সিনিয়র ময়াম্না প্রেক্টিস তৌরিবা মফমশিংদা চৎতুনা বোল খুনবসি হান্না হৌজরকখি। ঐখোয়না খঙজরকপা মতমদা য়ু এস এনা মরু ওইনা থৱায় য়াওবসি ফুটবোললনি। কুমজা ১৯৭২/৭৩গী মতমসিদা ফুটবোল ফজনা শান্নবা য়ু এস এ টিমগী সিনিয়র ময়াম অমসু লৈরম্মী। মতমদুদা ঐখোয়না শান্ননিংলবসু খোঙ কানশিনবা ঙম্বগী ৱাফমদি লৈতে। অদুনা অহলশিংনা শান্নরিবদু য়েংবা, হেন্দোরকপা বোল খুনবা ওইনা তৌজরকখি। য়ু এস এগী সিনিয়র প্লেয়রশিংনা শান্নবা মফমশিংদা তত্তনা চৎমীন্নরকখিবা মরুপ-মপাং ইমান্নবশিংদি এস মনিরোটন (ফুটবোল কোচ, য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্ট), ইবো সিংহ অমদি কোংপালদগী নবচন্দ্র ... অসিনচিংবনি। ঐখোয়সি লুনসু তিন্নরকখি।

অদুগা, ঐহাক কুমজা ১৯৭৩গী সি সি মীটতা য়ু এস এগী টিমদা য়াওবা ফঙজরকখিবা অসিসু নুংঙাইবা ৱারী অমনি। ফুটবোলসি ইশানসু পামজরকপনিনা সি সি মীটসি কাংজেবুং তানা চৎলগা ঐদি অদুম য়েংলকখি। কুমজা ১৯৭৩গী সি সি মীটকী প্লে মথং মথং শান্নরকপসিদা ঐখোয়গী য়ু এস এগী গোল কিপ্পর ওইবা তা কহ্নাইসি মীনা গোল হেক্তা চলহল্লি হায়দুনা ইবোচা জাবরসিনা ফুরুবা জাৎনি। অদুদগী মখা তাবা প্লেশিং শান্নবা মতমদা লাকখিদে। অদুদগী গোল কিপ্পর শাবা হৈগদবা ফুটবোল খরা খরা শান্নবা কনা লৈবগে হায়না থিরকপদা অহলশিংনা ঐহাকসি শান্নরুলাউ হায়দুনা কৌশিনবীরকখি। নুমিৎতুসু ঐদি হাফপেন অমা শেৎলগা শান্নবা য়েংবা চৎপনি। খুদত্তুদা খুদাং চোনবা ফুরিৎ অমগা বুথ অমগা লৈবিরগা ঐবু য়ু এস এ টিমগী গোল কিপ্পর ওইনা শান্নহনবীখি। মদুদগী অদুম হৌখ্রে ঐগী ফুটবোলগী কেরিয়রসি। হাফপেনদি ইশানা য়ুমদগী শেৎচরকপদুনা অদুম শেৎলগা শান্নজখি। মতমদুদদি য়ু এস এগী টিমসি য়াম্না লিঙবা টিম অমা ওইবনা ঐসু নুংঙাইনা শান্নজবা ঙমজখি। লাইবক ফবনা কুমজা ১৯৭৩গী সি সি মীটসি য়ু এস এগা মণিপুর পুলিসকা জোইন ৱিন্নর ওইমীন্নখি। সি সি মীটকী চেম্পিয়ন টিমদা য়াওজবা ফঙজখিবদু ঐগী ওইনসু থোইদোক্লা নুংঙাইজখি। হায়রিবা মতমদুদা য়ু এস এগী প্রসিদেন্টসি ঈশৈ লেংবা সোরারেন (বাবু)না ওই। অদুগা সেক্রেটরীসিনা ওজা রঞ্জিৎ রোইনা পুরি। প্লেয়রশিংসু য়াম্না লিঙবা মতমনি। খরদং মমিং পঞ্জরবদা তা কেশো, ইবোচা জাবর, তা ইবোহনবী, তা ধনবীর, তা বীধু, তা পাকচাউ, খোনীচন্দ্র, হেনখুলেন কিপজেন, লমজাকাই ... অসিনচিংবনি। অফবা প্লেয়র ময়ামসি পুল্লগা লৈরম্বনিনা ঐনা গোল কিপ্পর ওইনা শান্নজখিবদু ঐগী ওইনদি খ্বাইদগী লাইবক ফবা হায়বদু ওইখি। মমিং লৈবা ফুটবোল শান্নরোয়শিংগী মরক্তা য়াওজরুবনা মীয়াম্নসু থোইদোক্ল া খঙনবীখি। অদুগা কুমজা ১৯৭৩গী সি সি মীটকী ফাইনেল নুমিৎতা নুংঙাইবা থৌদোক অমসু থোকখি। পেনাল্টি কাউনরগা লাইবক লেপ্পগদবা ওইবনা ঐহাক্ল া পীশক পীক্লা গোল কিপ্পর ওইনা লেপ্পগা মণিপুর পুলিসকী সিনিয়র প্লেয়রশিংনা বোল কাউশিনবসিদা ঐবু পোকপী ইমানা ভাবোক মরক্তগী লাউ-খোংদুনা চেনশিল্লকপা অদুগুম্বা থৌদোক অমসু থোকখি।

... মথং মথং ...







## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০৫

১) মহাক ওলিম্পিক চেম্পিয়ননি, মিলিটরি বুথ তোংলগা লমজেল প্রেক্টিস তৌবগী মমিং চৎলি। মহাক কনানো?

২) ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা 'পব্লিক স্পোর্টস মীট' অদু করম্বা চহীদনো?

৩) অহানবা ওল অসাম ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ভোল্লিবোল টুর্নামেন্টতা শরুক য়াখিবা টিমগী কেপ্টেন অদুগী মমিং পীয়ু।

৪) ওলিম্পিক্কী নুঙলংবগী থৌরম অমদা শান্নরোয় অমা অনীরকদিসক্কালিফাই ওইখি। মরমদি মহাক্কা নুঙ অদু তা লংবদৌনা নত্রগা লৈতুম হুনবদৌনা লংখি। কাংলোনগী মতুংইন্না নুঙ অদু ঙক্কা খজায় শোক্লা থল্লগা লংগদবনি। মদুদা মহাক শাউদুনা থৌরম অদু লোয়দনা তোকখি। মহাক্কী মমিং পীয়ু।

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? →

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ৩০, য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০৪গী পাউখুম

১) ওলিম্পিক্কী ৱাটর পোলোদা ক্লব অমনা গ্রেট বৃটেনগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়াখিবদা সনাগী মেদল ফংখি। ক্লব অদুগী মমিং পীয়ু। : OSBOURNE SWIMMING CLUB

২) কুমজা ১৯৫৪দা ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা অচৌবা স্পোর্টস অমদা মণিপুরগী ক্লবশিংনা শরুক য়াখি। অয়াম্বা ক্লবশিংদি মমিং ওন্থোক্লগা শরুক য়াখি। মখোয়গী মরক্তা রুপমহল থিয়েটর ক্লবসু অমনি। করম্বা ক্লবকী মহুত্তা থিয়েটর অসিগী মমিং শিজিন্নখিবগে? : EASTERN SPORTING CLUB

৩) করম্বা চহীদগী অসামনা রঙ্গাস্বামী কপ (Rangaswami Cup) তা শরুক য়াখিবগে? : 1957

৪) কুমজা ১৯৮৭তা ওল মণিপুর স্পোর্টস এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট কনানা ওইখিবগে? : হেলিম চৌধুরি

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো?? :TANIA SACHDEV

**হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ ১০৪ গী পাউখুম ৫ মক চুম্না থাবীরকখিবদি**

| | |
|---|---|
| ১) *অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ুম, তাওথোং অয়ুংবা, লমশাং* | *(৫)* |

**হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ -১০৪ গী ৱিন্নর**

অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ুম, তাওথোং অয়ুংবা, লমশাং (দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবা)

হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ ১০৪গী মনা লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম ওক্টোবর ২০, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।

# ফিফা ৱর্ল্ড কপ ২০২২ এসিয়াগী ক্বালিফায়িং মেচতা ইন্দিয়া অমসুং বংলাদেশ দ্রো চৎখ্রে



কোলকতা, ওক্টোবর ১৫(এজেন্সী): কুমজা ২০২২দা এসিয়াগী লৈবাক কটারনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমসুং কুমজা ২০২৩দা চাইনানা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা এ এফ সি কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ক্বালিফায়িং মেচ অমদা ঙসি ইন্দিয়া অমসুং বংলাদেশ লম্বা তৌনবদা পাঞ্জল ১-১ চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে।

কোলকতাগী বিবেকানন্দ য়ুব ভারতকী ষ্টদিয়ম মীয়াম্না সোল্ট লেক ষ্টেদিয়ম হায়না খঙনরিবা মফমদা ঙসি নুংথিল ইন্দিয়া অমসুং বংলাদেশনা শান্নখিবা মেচ অদুদা বংলাদেশকী মায়কৈদগী অহানবা হাফতা পাঞ্জল অমা চল্লগা মাংজিল থাখ্রবা মতুং ইন্দিয়ানা ইক্বেলাইজর চল্লগা ১-১দা দ্রো চৎখি।

মেচ অদুগী হৌরকপদা পোইন্ট ৩ ফঙননবগীদমক্তা হোৎনরকখিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা ঙন্না এটেক চথবা ঙমখি। টিম অদুগী কেপ্টেন সুনিল সেত্রিনা ফংখিবা বোল অমা কাউশিনখিবদা বংলাদেশকী গোল কিপ্পর অস্রাফুল ইস্লাম রানা কনবা ঙমখি।

মেচকী ১০ শুবা মিনটতা ইন্দিয়ানা চথখিবা এটেক অমদা মন্দর রাউ দেসাইনা কাউশিনখিবা বোল অমা বংলাদেশকী গোল পোষ্টতা পাল্লগা থক্তোকখি। বোল অদু ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় রাহুল ভেকিনা ফঙদুনা বংলাদেশকী গোল এরিয়া অদুদা পীরকখিবা অদু ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় লৈরমদবদগী পাঞ্জল ওইরম্বা য়াবা তাঞ্জা অমা মাংজিখি।

অহানবা হাফ লোইগদবা মিনট ১০ ৱাৎলিঙৈদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মনবির সিংহনা ফংখিবা বোল অমা য়াম্না ফজনা কাউশিনখিবদা অমুক্কা হন্না বংলাদেশকী গোল কিপ্পর অস্রাফুলনা ঙাকথোকখিদুনা পাঞ্জল ওইহনখিদে।

মেচকী ৪১ শুবা মিনটতা বংলাদেশকী মায়কৈদগী চথুরকখিবা এটেক অমদা ফিল্ডগী ওই থংবা মায়কৈদগী ফংখিবা বোল অমা টিম অদুগী শান্নরোয় সাদ উদ্দিননা কাউশিনখিবদা ইন্দিয়াগী গোল কিপ্পর গুরপ্রিট সিংহ সান্ধু মায়থীবা পীদুনা মেচকী অহানবা পাঞ্জল চল্লগা অহানবা হাফ লোইশিনখি।

পাঞ্জল শোথরবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং ইক্বেলাইজর ফংনবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখিবা অদু মায় পাকপা ঙমদনা লাকখি। মেচ লোইগদবা মিনট ২দা ঙাইরবা মতমদা ইন্দিয়াগী অদিল খাননা ইক্বেলাইজর অদু চল্লগা ১-১দা দ্রো চৎখি।

# ইন্দিয়াগী শান্নরোয় পি ভি সিন্ধু অমসুং সাই প্রনিথ দেনমার্ক ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০১৯গী অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে

DANISA DENMARK OPEN PRESENTED BY VICTOR





ওদেন্স, ওক্টোবর ১৫(এজেন্সী): দেনমার্ক্কী সিটি ওদেন্সতা পাঙথোকপা দেনমার্ক ওপন বেদমিন্ট চেম্পিয়নশিপ ২০১৯গা ইন্দিয়াগী নুপীগী শান্নরোয় পি ভি সিন্ধুঅমসুং নুপাগী শান্নরোয় সাই প্রনিথ অহানবা রাউন্দ মায়পাক্কুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।

নুপীগী বেদমিন্টনগী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরিবী ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেচতা ইন্দোনেসিয়াগী শান্নরোয় মমাংদা ৱর্ল্ড জুনিয়র চেম্পিয়ন ওইবা ঙল্লল্লবী গ্রিগোরিয়া মারিস্কাগা দেনামার্ক ওপন বেদমিন্টন টুর্নমেন্ট অসিগী অহানবা রাউন্দদা য়াম্না অকনবা লম্বা অমা থেংনরগা ২২-২০, ২১-১৮দা অহানবা রাউন্দ অদু মায়পাক্কুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী অহানবা রাউন্দগী মেচ অদুদা ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা ইন্দোনেসিয়াগী শান্নরোয় গ্রেগোরিয়া মারিস্কাগা লম্বা তৌনখিবা মেচ অদু শান্নরোয় অনীগী মরক্তা ৫রকশুবা মেচনি। মমাংগী মেচ ৪ পি ভি সিন্ধুনা মায়পাকখি। ঙসিগী মেচ অদু থোইখিবগা লোয়ননা সিন্ধুনা মেচ ৫-০দা হেন্দুনা লৈবা ঙমখি।

ওলিম্পিক্কী সিলভর মেদল ফংবা ঙমখিবী ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু চহী অসিদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ্তা মকোক ওইদুনা টাইটল লৌবা ঙমখিবনি। সিন্ধুনা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা রাউন্দদা সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোয় আন সে য়ঙগা লম্বা তৌনরগনি।

দেনমার্ক ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় বি সাই প্রনিথ অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি। মহাক্না অহানবা রাউন্দদা মশান্না অসিগী মমিং লৈরবা চাইনাগী শান্নরোয় লিন দানবু শুপ্নগী মিনট ৩৫দা ২১-১৪, ২১-১৭তা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান শান্নরোয় জপানগী কেন্তো মোমোতা অমসুং হোং কোংগী কে ৱোং অনীগী অথোইবগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নপাগী দবলসকী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী পেয়র সাটৱিকসাইরাজ রানকিরেদ্দি অমসুং চিরাগ সেথিনা অহানবা রাউন্দদা কেরিয়াগী পেয়র কিম জি জুং অমসুং লি য়োং দেবু অহানবা রাউন্দদা ২৪-২২, ২১-১১দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা চাইনা অমসুং দেনমার্ক্কী পেয়র অনীগী অথোইবগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপাগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী সৌরব বর্ম্মা অমসুং পরুপলি কস্যপ অহানবা রাউন দদা মায়থীহৌরে। হয়েং সমির বর্ম্ম, কিদম্বী শ্রিকান্ত অমসুং সাইনা নেহৱাল অহানবা রাউন্দ শান্নরগনি।

# সুল্টান ওফ জোহোর কপ হোক্কি টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী জুনিয়র টিম জপানগী মখুৎতা পাঞ্জল ৩-৪দা মায়থীখ্রে



জোহোর বারু, ওক্টোবর ১৫(এজেন্সী): মলেসিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকপা থা অসিগী ১২দগী শান্নবা হৌখিবা ৯লক শুবা সুল্টান ওফ জোহোর কপ জুনিয়র মেন্স হোক্কি টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা রাউন্দ রোবিন মেচ অমদা ইন্দিয়াগী টিম জপানগী মখুৎতা পাঞ্জল ৩-৪দা মায়থীবা নংখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা পুন্না টিম ৬না লম্বা তৌনরি। গ্রেট বৃটেন, ইন্দিয়া, ওষ্ট্রেলিয়া, জপান, মলেসিয়া অমসুং ন্যু জিলেন্দনা মকোক থোংন্নবা শান্নরি।

ইন্দিয়াগী টিম টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেচ অনীদা য়ুম্বু মলেসিয়া অমসুং ন্যু জিলেন্দ মায়থীবা পীদুনা লাকখিবনি। টিম অসিনা ঙসি ৩শুবা রাউন্দ রোবিন মেচতা জপানগা লম্বা তৌনবদা মায়থীদুনা মেচ ২ মায় পাকখ্রবা মতুং অহানবা ওইনা মায়থীবা নংলি।

মেচ অদুদা জপানগী মায়কৈদগী চথুরকপা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোয় ৱাটারু মাটসুমোটোনা পেনাল্টি কোর্নর অমদা চনখিবা পাঞ্জলনা ইন্দিয়াবু মাংজিল থাবা ঙমখি। অহানবা ক্বার্টর লোইশিল্লকপদা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমখিদবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অনীশুবা ক্বাটরদা ফনা কন্না হোৎনরবসু জপানগী কোসৈ কৱাবিনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা অহানবা হাফ লোইশিল্লকপদা জপাননা ২-০দা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা হাফতা ইন্দিয়ানা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা ঙমখ্রবসু জপানগী মায়কৈদগী মখা তাবা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা ৪-২দা লৈখি। শান্নবা লোইশিল্লকপদা ইন্দিয়াগী প্রতাপ লক্রানা পেনাল্টি কোর্নর অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমা চল্লগা মেচ অদী ৩-৪দা মায়থীদুনা পোইন্ট টেবলদা ইন্দিয়া ২শুবদা লৈরি।

# গ্রান্দ স্বিজ চেছ টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী বিস্বানাথন অনন্দ অনীরকশুবা গেম মায় পাকখ্রে, অধিবন পোইন্ট ৩.৫ ফংখ্রে

FIDE Chess.com





দোগ্লাস, ওক্টোবর ১৫(এজেন্সী): ইংলেন্দ অমসুং আইরলেন্দগী মরক্তা লৈবা আইজল ওফ মানগী কোনুং দোগ্লাসতা চথরিবা গ্রান্দ স্বিজ চেছ টুর্নামেন্ট ২০১৯দা ইন্দিয়াগী মমাঙদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরম্লবা বিস্বানাথন অনন্দ অনীরকশুবা মায় পাকপা ঙমখ্রে। অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অধিবন পোইন্ট ৩.৫ ফংখ্রে।

থা অসিগী ১০দগী শান্নবা হৌখিবা গ্রান্দ স্বিজ চেছ টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ৫শুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরম্লবা বিস্বানাথন অনন্দনা পরাগ্বেগী অজেল বাটমেনবু মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিদা অনীরক শুবা ওইনা মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৩ ফংলি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় বি অধিবননা ইংলেন্দগী শান্নরোয় দেবিট হোবেলবু মায়থীবা পীদুনা পোইন্ট ৩.৫ ফংদুনা ৱর্ল্ড নম্বর ২ শান্নরোয় ফাবিয়ানো করোনাগী মতুংদা অতোপ্পা শান্নরোয় ৭কা লোয়ননা অনীশুবা থাক্তা লৈরি।

ৱর্ল্ড নম্বর ১ শান্নরোয় নোৱেগী মেগনস কার্লসননা ইন্দিয়াগী সুরিয়া সেখর গঙ্গুলিবু মায়থীবা পীখি। টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় পি হরিকৃষ্ণনা রসিয়াগী এলেসি সরানাগা দ্রো চৎখি। য়ু এসকী শান্নরোয় গটা কামস্কি ইন্দিয়াগী এস পি সেথুরমনগা দ্রো শান্নখি। লোয়ননা ইন্দিয়াগী বিদিত গুজরাথিসু অর্মেনিয়াগী রোবার্তকা দ্রো চৎখি।